# দোপীং ঃ হ্বিস্কি (য়ু) দা ষ্টেরিয়দ হাপচিল্লগা রসিয়াগী শান্নরোয়শিংদা পীথকপা

**লৈশাংথেম অজিৎ**

**কুমজা** ২০১৪ দা রসিয়াগী সহর সোচিদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা লৈবাক অসিনা সনাগী মেদল খ্বাইদগী হেন্না ফংনবা রসিয়াগী লৈঙাকপশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা চেকশিন্না খুজিল থৌরাং তৌদুনা শান্নরোয়শিংদা দোপীং পাকশন্না তৌহল্লি হায়বদি শান্নরোয়শিংদা আইন্না থিংবা হীদাক পীজৈ হায়বা মায়কৈ কয়াদগী খঙনরক্কুনা হীরম অসিদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি, ৱর্ল্ড এন্টি দোপীং এজেন্সি অমসুং ইন্টরনেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা অৰাংবা থাক্তা অচুম অরান খঙনবা থিজিল্লক্লিবা অসিনা রসিয়াদা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসন অয়াম্বদি অথিংবা (বেন) থমখিবা য়ানা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা রসিয়ান এথলেটিক্স ফেদরেসনদি হান্না ইন্টরনেসনল এসোসিয়েসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্না অথিংবা থমখ্রে। ৱিন্টর (নিংথমগী) ওলেম্পিক গেমস কুমজা ১৯২৮ দা হৌদোকখ্রবসু সোভিয়েট লেন্দ (য়ুনিয়ন ওফ সোভিয়েট সোসিলিষ্ট রিপব্লিক) দি কুমজা ১৯৫৬ তা কোরতিনা দা'মপেজোদা পাঙথোকখিবা গেমসতগী হৌনা শরুক য়াবা হৌখিবদগী চহী লিশাং শিংনা, কুমজা ১৯৮৪ খক্তংদা নত্তনা কুমজা ১৯৮৮ দা কালগারিদা পাঙথোকখিবা গেমস ফাওবা সনাগী মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা লৈবাক ওইরম্মী। কুমজা ১৯৯১ দা সোভিয়েট লৈবাক মচেৎ ১৫ থোক্লা কায়খ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৯২ দা অলবার্ট ভেলে (Alberville) দা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক গেমসতা মচেৎ তাখ্রবা অনৌবা নীংতম্বা লৈবাকশিং অসি মশা মশাগী ওলেম্পিক কম্মিটি শেম্বা অমদি তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিং শেম্বদা মতম চঙগদবা মরম্না 'য়ুনিফাইদ টিম' (Unified team) অমা শেমদুনা সোভিয়েটকী হান্নগী টিম অদুমক ওইনা শরুক য়াখিবদা অনীশুবা পোজিশন্দা হন্থরকখি। চহী অসিগী মতুংদগী সোভিয়েটতগী মচেৎ তাখিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা রসিয়ানা হৌজিক ফাওবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক ওইরি অমদি লৈবাক অসিনা ৱিন্টর গেমসতা ফংবা মেদল মশীং ওলেম্পিক খুদিং হন্থরকখি। মমৈথংদা তরেৎশুবা পোজিশন্দা লাকখি।

লৈবাক অসিগী সহর সোচি (Sochi) দা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা মেদল য়াম্না লৌবা ঙম্লোইদবা মরম্না অরানবা উপায় শীজিন্নদুনা মেদল মশীং হেন্না ফংনবা হোৎনখি। মসিগীদমক নমথাক তৌনবা শান্নরোয়শিংগী পার্ফোমেন্স হেনগৎনবা পাক্তক্লনা দোপীং তৌবা তাখি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা নিংথিনা খুজিন থৌরাং তৌদুনা দোপীংগী প্রোগ্রাম অমা লোন্না পাঙথোক্তুনা সনাগী মেদল ১৩, লুপাগী মেদল ১১, সেঞ্জেংগী মেদল ৯ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লাকখি অদুগা অনীশুবা তাখিবা নোরৱেনা সনাগী মেদল ১১, লুপাগী মেদল ৬, সেঞ্জেংগী মেদল ১০ ফংখি।

ওলেম্পিক পাঙথোকখিবা থা তরুক লৈরগা কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বরদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপীং এজেন্সি (ৱাদা) না রসিয়া অসি লৈবাক্কী লৈঙাকপশিংনা থৌবু ওইরগা পাকশন্না দোপীং তৌই। মসিগী মরু ওইবা লুচিংলিবা নিপাদি ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচনকোভনি হায়রকখি। মহাক্লা এথলেটশিংদগী দোপীং তৌবগী শেল লৌই হায়রি। হীদাক চারে খঙলবা পোজিটিভ ওইরবশিংবু লোৎশিল্লি, চাংয়েং তৌনবা হক্কী ঈশিং থন্বা বোটল চাম্মা চাম্মা থুগাইরগা মাঙহনখি। ৱাদাগী রিপোর্ট অসি ফংবদগী রসিয়া লৈঙাক্লা মোস্কোগী এন্টি দোপিং লেবোরেটরিগী দিরেক্টর ওইরিবা সোচি ৱিন্টর ওলেম্পিক্কী দোপীং টেষ্ট তৌখিবা লেবোরেটরি অদুগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচনকোভপু ফোর্স রিজাইন তৌহনখি, নমদুনা থবক্তগী পোথাহনখি। মহাক্লা রসিয়াগী লৈঙাকপশিংবু কিবদগী ব্রায়ান ফোগেল কৌবা অমেরিকা মচা ফিল্ম নম্বা অমগী মতেংনা লোস এঞ্জেলেস (Los Angeles) তা চেনখি। মহাক হেক চেনখিবগা মহাক্তা থবক তৌমিন্নবা হান্না রসিয়া এন্টি দোপীং এজেন্সিগী দিরেক্টর ওইরম্বা নিকিতা কামদেয়র অমসুং এজেন্সি অসিগী চিয়ারমেন ভয়াচেলাভ সিনেভ শিখি, মরম পীদে।

ব্রায়ান ফোগেল স্পোর্টসতা দোপীং তৌবগী ফত্তবগী মরমদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা নম্নবা ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচনকোভকী ইন্টরভিয়ু নুমিৎ হুমনি লৌবদা অথিংবা থমখ্রবা হীদাকশিংবু রসিয়াগী শান্নরোয়শিংদা পীজবগী মরমদা লোয়না হায়দোরকখি। সোচি গেমস পাঙথোক্লিঙৈগী মমাঙদা রসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মঙোন্দা হীদাক পীজগদবা এথলেটশিংগী মমিং ঈ-মেলদা হায়রকপা চে চাং অদু ফোগেলদা উৎখি। মহাক্লা অসুম্না হায়খি মদুদি মখোয়না সোচি ওলেম্পিক্তা দোপীং তৌনবা অমদি মদু ফাবা ঙমদনবা নিংথিনা দরকার লৈবা খুদিংমক শেম শারম্মী। থবক খুদিং মচা খায়না সেকেন্দ খুদিংগী তৌগদবা থবকশিং কুপথনা শেম শাদুনা লৈখি। রোদচনকোভ অমেরিকাদা চেনখিবা অসি রসিয়ানশিংগী য়াম্না লুবা খোঙথাং অমগুম্বনি।

ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচনকোভ এনালাইটিকেল কেমিষ্ট্রি (Analytical Chemistry) গী ডোক্তরেট দিগ্রি ফংলবা নিপানি। মহাক মালেম অসিদা লৈরিবা এক্সপার্টশিংনা শীজিন্নরিবা হীদাকশিংগী মরমদা য়াম্না মুন্না খঙই। শান্নরোয়শিংনা দোপীং তৌবদা দিটেক তৌবা ঙমদনবা হায়বদি হীদাক চাবা য়াদবা শীজিন্নরুবগী চাংয়েং তৌবদা ফাবা ঙমদনবা করি হীদাক পীজগনি, করি হীদাক য়ানশিনগনি হায়বা মহাক খঙই। মহাক্কী মহৈ-মশীল অসি রসিয়াগী লৈঙাক্লা শীজিন্নৈ।




মহাক্লা চহী কয়া অমুক চাংয়েং তৌরবা মতুংদা Anabolic Steroid য়াওবা Melenolone, Trenbolon অমসুং Oxandrolon কৌবা হীদাকশিং অসিবু য়ুগা য়ানশিন্নরগা তোপ লেভেল এথলেটশিংদা পীথকই। লন্দন ওলেম্পিক গেমস অমসুং সোচি ওলেম্পিক্কী অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা মহাক্লা শেম্বা হীদাকশিং অসি পীথকখি। মসিনা এথলেটশিং ত্রেনিং কন্না তৌরুবগী চোকথবদগী হকচাং থুনা হঙ্গৎপা ঙম্মী অমদি পোত্থাবদা মতেং য়াম্না ওই অদুনা মপাঙ্গল মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নবা ঙম্মী। অসুম্না ষ্টেরিয়দ য়ুগা য়ানশিন্নবা অসিনা য়াম্না থুনা হকচাংদা চুপশিনবা ঙম্মী। অসুম্না শেম্বা হীদাক থক্লবদি দিটেক্সন তৌবগী মতমসু তেলহল্লি। মতম খর থেংথরবদি হীদাকশিং অসি চাখি হায়বা টেষ্ট তৌবদা খঙবা ঙমদে। মহাক্লা নুপা এথলেটশিংদা চিভা হ্বিস্কি (Chiva whisky), নুপীদনা মারতিনি ভরমউথতা ষ্টেরিয়দ য়ান্নরগা পীথকই। য়ু মিলিলিটর অমদা ষ্টেরিয়দ মিলিগ্রাম অমা য়ানশিল্লগা পীথকই। মখা তারকপদা কনাগুম্বা এথলেট অমনা দোপীং তৌরবা মতুংদা খঙবা ঙমদনবা, দিটেক তৌবা ঙমদনবা করি হীদাক পীজগদগে হায়বা মহাক খঙই। রসিয়া লৈঙাক্লা মহাকপু নমদুনা অরানবা থবক ময়াম অমা তৌহন্দুনা মীনম্বা অসি মহাক নুঙাইতে।

ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচকোভনা ওলেম্পিক্কী শেম শানবগীদমক গেমস হৌগদবা হাপতা অনী ৱাৎলিঙৈদা সোচি সহরদা থুংলম্মী। নুমীৎ অদু কুমজা ২০১৪ গী জুন ২১ দনি। মহাক্লা হেক থুংলবগা দোপীংগী প্রোগ্রাম চৎথরিবা অরোনবা হীদাক চাং নাইনা পীজদুনা ত্রেনিং তৌরিবা এথলেটশিংগী মমিংশিং অপাকপা চেবাং অমদা নমথোল্লগা মঙোন্দা পীরম্মী। মদুদা এথলেটশিং অদুনা শরুক য়াগদবা থৌরমশিং অদুগী প্রোগ্রামশিংসু য়াওরি। ওলেম্পিক্তা মেদল ফংবা শান্নরোয়শিং অদু শান্নবা হেক লোইবগা মহাক্কী হক্কী ঈশিং অদু বোটল অনীদা তোঙান তোঙান্না লৌরগা কোদ নম্বর থারগা মখুম শিল তৌশিল্লগা থম্মী। বোটল অনী অদু 'এ' অমসুং 'বি' থাদুনা থম্মী। অহানবদা 'এ' বোটল অদু চাংয়েং তৌই। মদুগী ফল অদু পেন্দ্রবদি শান্নরোয় অদুনা 'বি' সেম্পল অদু চাংয়েং তৌহনবা য়াই। ডাক্তর গ্রেগোরি রোদচনকোভকী মরু ওইবা মথৌদি চাংয়েং তৌদ্রিঙৈদা রসিয়ান এথলেটকী হক্কী ঈশিং য়াওবা বোটল অদু থুগাইদুনা মাঙহনখিবা, মসিগী মহুত্তা এথলেট অদুনা দোপীং তৌদ্রিঙৈদা থা অমা অনীগী মমাঙদা লৌদুনা থমখিবা হক্কী ঈশিং য়াওবা বোটল অদুনা মহুৎ শিনজিনবনি।

ডাক্তর গ্রেগরিনা অসুম্না হায়খি মদুদি দোপীং অসিগী মতাংদা রসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভায়তালি মুটকোভাগা মহাক্তা হাপ্তা খুদিংগী য়ামদ্রবদা অমুক্লক মহাক্কী মোস্কোদা লৈবা ওফিসতা উনৈ। সোচিগী দ্রগ টেষ্টিং সেন্টরদা রসিয়াগী সেক্রেট সর্ভিসকী মেম্বরশিং করিগুম্বা পোজিটিভ রিজল্ট য়াওরকপা মতমদা মদুবু কুপশিন্নবা মী অতোপ্পা অমত্তা খঙহন্দনা লেবরেটরি এঞ্জিনিয়ার শাজিন্নরগা থবক তৌহল্লি।

অথেংবা অহিংদা বোটল শিন্দোক্লবগী ওপরেসন য়াম্না লোন্না পাঙথোকই। এথলেটশিংগী হক্কী ঈশিং থল্লিবা কা অদুদগী রসিয়া মচাশিংগী কোদ নম্বর য়াওবা বোটলশিং লৌথোক্লগা কা অদুগী ফক্লাংদা পীক্লা হুতোক্তুনা হান্না থম্লগা বোটলশিং অদু মখুল অদুদা থংনবা কাদা পীথোকখি অমসুং মসিগী মহুত্তা হীদাক চাদ্রিঙৈগী হক্কী ঈশিং য়াওবা বোটল অদুনা মহুৎ শিল্লি। বোটলশিং অদু মথংগী নুমিৎতা টেষ্ট তৌগদবনি। অথেংবা অহিং অদুদা ওপরেসন চত্থরিঙৈদা থাউমৈ অমদগী হেন্না থানদে।

হায়রিবা মরালশিং অমদি ওপরেসন অসিগী মরমদা ৱাদা (WADA) না লামাই ৩২৩ পানবা মরাল ময়াম অমা রসিয়া লৈঙাক্তা শীবা রিপোর্ট অমা থাখ্রে। মসিদা এথলেট, কোচ, ত্রেন্নর, ডাক্তর অমদি অতৈ অতৈ লূপশিং চেন্নৈ হায়রি। রিপোর্ট অদুদা রসিয়াগী কোচ মঙা, এথলেট মঙা, কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্তা নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা অহানবা অমদি অহুমশুবা তাখিবীগী মমিং য়াওরে হায়রি। অসিগুম্বা থবক অসি থিংনবা ইন্টরপোলগী মতেং ফংনবা য়ান্নচে অমা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক এসোসিয়েশনগা ইনখ্রে। ৱাদাগী ওফিসিয়েল ওইবা ষ্টেটিষ্টিক্তা কুমজা ২০১৩ দগী হৌজিক ফাওবদা রসিয়াগী এথলেট ২২৫ টর্কিগী ১৮৮, ফ্রান্সকী ১০৮ অমসুং ইন্দিয়াগী ৯৫ হীদাক চাবগী ফারে।

# মে ২২ গী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ফমখিবা মীফম

*— থাংজমচা দামু হিরিকোনবা —*

**য়ানদবা** মায়কৈ অনীগী ইন্টলেকচুয়েলশিং য়াওনা য়ানদ্রিবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লদুনা, শেংদোক্লদুনা, তাংদাংবা অচুম্বদু ঙসিদি শোয়দনা মীয়াম্না খঙলগনি হায়দুনা য়াম্না আশা তৌনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী মীফমদু য়াওবা লাকখিবনি। নুমিৎতু চঙলকখি শঙলেন্দুদা, থওইনা ফমখি মনিং থংবা কাচিন অমদা, য়েংখি কুপ্না লাক্লিবা মীওইশিংদুগী পূক্লিংদা পুদুনা লাক্লিবা, মাইথোংদা তারিবা মমীশিংদু। ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী গেট হেক লানশিনবগা ঐগী সাইকোলোজিগী ওইবা ইথৌ অমা খঙচিন চিনশিল্লকপগুম তৌখ্রবনি, মসিমক্লসু চীংদুনা ফমহনখিবনি মনিংগী কাচিন অদুদা। অউবা কনাগুম্বশিংনদি খল্লম্বা য়াই মমাঙগী অহাংবা চৌক্রিশিংসিদা ফমগে হায়দনা মনিংদা ফম্মীবসিবু হায়না। নুমিৎতুগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা তিনখিবা মীয়ামদু ঐঙোন্দদি য়াম্না ঙক্লা থোকখি, মৈতৈদি হরাউ-কুম্মৈ, লীলা-ফালা নৎত্রবদি মী পুনবা ঙমগনদে। ওর্গনাইজেসনশিংনা শিনবা মীয়ামগী মীফমদা মনুংদা চন্দদুনা মপান য়াওনা সমিয়ানা খন্দুনা চিক্লা-চায়না ঙমদনা নোং চেনবা নুংশাগী ওমচাক্লবা নাচুংদনা, চেকমুক লাওনদনা চোন্না তিনখিবা মীয়ামদু, ঐগী পুন্সিদা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রি হায়বা য়াই। নুমিৎতুগী মীয়ামশিংদো করি অনিংবা অপাম্বা পেন্দবা অমদি মপূক্লিংগী করি হায়নিং-হংনিংবা লৈবনো খঙদে, পীশুম শুক্লা মাইথোং মক্লা হায়জিন্নরকখি মরী-মরী শঙলেনগী মনুংদা, ফম্নখি থারিবা য়ামখ্রবা চৌক্রিশিং অদুদা। ফল্লিবা অমদি ফমখ্রিবা য়ামখ্রবা নুপা-নুপীশিংদু অমগা-অমগা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী তাঞ্জা পীনদনা মীফমদু হৌবা ঙায়নখি। মদুদা ঐনা খনখি, করিনো ঙসিগী মীফমসিগীদমক তিল্লিবা মীয়ামসিনা তৌরিবা মতৌসিবু? ঐসু মীয়াম তিনবা মীফমসি ওকখাক য়াওজরবরা খল্লি, অদুবু ঙসিগী অসিগুম্না অমক্তদি থেংনরকখিদ্রি খন্না ইঙক ঙক্লা কোয়না অসুম য়েংবনা ঙাইহাক্তুগী ঐগী ইথৌ ওইরম্মী। ইরোইননা মীফমদু হৌরকই, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী অখঙ-অহৈশিং অমদি সেদ্যুল ত্রাইবতা হঞ্জিনবা পামজবা ইন্টলেকচুয়েল অখঙ-অহৈ কয়াগী মরু ওইবা ৱাফম, মথং-মথং চেকশিন্না থম্নরকপা কয়াদুদগী, শুক্লম্বা পীশুম, মক্লম্বা মাইথোংশিং তপ্পা তপ্পা মকা লাম্নরক্তুনা মোমোন নোক্লা খুবাক কন্না খুনরকই, মদুদখক্তা ঐ ভাব খঙতা তারকই, ও সিদি অথিংবা কাঙবুশিং থেঙ্গাইনরুরগে হায়না লাকপা ঙাক্তা ওইরমলেদনা। অহানবদদি ঐ তশেংনা চিংনরুরবনি ঙসিগী মীফমসি পীশুম শুকপা অথিংবা কাঙবুগী মীওইশিংনা ঙম্না তিল্লবনিনা শোইদ্রে করিগুম্বা খরদি থোক্লগনি ঐবু হলহৌরসিরা হায়বফাও খল্লুরবনি।

সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী শেংদোক ৱারোল অমদি অতৈ ৱাঙাঙলোয়শিংগী ৱাফমদা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ অসি মরম চাই চুম্মী, ওইফম তৌফম থোকপনি চাদা চাম্মা চুম্মী হায়বগা লোয়ননা, থিংঙিবা কাঙবুদা চপ-চাবা পাউখুম পীরক্লবা ক্লেসন ময়াম অমা হংবগা লোয়ননা মীফম অদু চিক-চিক লাওবা এটমোসফ্যের অমদা লাকখি। করিগুম্বা মদুগী মতাং-মতমদুদা খূৎলাই পায়বা লিশীং-লিশীংনা মীফমদু লেপ্পু নৎত্রগদি হাৎলগনি হায়ররবদা, শিবা কিদুনা মীফমদু লেপকনি হায়বসিমদি ঐগী ৱাখল মিৎয়েংদা থাজৌ হায়বদদি ময়াররোই। লাক্লিবা নুমিৎতুগী মীওইশিংদু থৱায় থাদোকউরগে হায়না লাকপা ঙাক্তা ওইবগুম তৌই। অসিগুম্বা মুৎতা লৈনরিবা তাঞ্জা অদুদা মমাঙগী ৱাঙাঙলোইশিংনা হায়বিখিবা, চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজবা অৰাংবা থাক্কী মৈতৈনা, য়াইস্কুল সেক্রেটরিয়েটকী শোরোক পরেং য়াওনা খ্বাইরম্বন্দগী মফম খুদিং করিগী মৈতৈ নুপীনা ৱায়শিৎ-লমশেং তৌরিবা? করিগী ময়াংশিংগী ফিশু-ফিজাম তৌরিবা হায়না হংবা ৱাহংদু ময়েক শেংনা তাফাৎহৌদবা মেদিসিন ডাক্তর অমনা, কনফিয়ুজ তৌবা নৎত্রগা কমেন্ট পীনিংবা, ৱাহং অমদি পাউখুমগীদমক থল্লিবা তাঞ্জাদু লৌদুনা হংঙকইবা অৱা-অনাদা করি মতেং পাঙখ্রে হায়বনচিংবা ৱাহংসি হংলকখিবনি, মদুদা তিল্লিবা মীয়ামদুনা করি ৱাহংনো মরী লৈনদে খুদক্তা লেপ্পু হায়না লাউশিল্লকখি। অরানবা ৱাফম শন্দাক্তুনা তাল্লিবা দিমান্দসি থিংঙি হায়দুনা নিংদোন পোম্নদুনা লৈরিবা, য়ামখ্রবা মনুংদগী মপান্দগী মীওইশিংদুগী অশাওবদু, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী থৌমীশিংনা ফাথ-ফাথনা, খাম্না-খাম্না অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা লাউশিল্লকপা অমদি চৌক্রি লংঙকপা য়াওবা ময়ামগী অশাউবদু হৈথরকখিবনি মীওইদুদা। ৱাহংগী শেংদোক ৱারোলগী পাউখুম পীননবগীদমক্তা শেম-শাদুনা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি থোকখ্রিবা থৌদোক্তু তশেংনা থোকহন্নিংদবগী মমি চাওনা তাবা উখি। য়ামখ্রবা মীয়ামশিংদুগী মরক্তা নাইতোম তানা কনফ্যুজ তৌদুনা লৈরম্বা মীশক্তুগীদমক সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা ৱাবিখিবা অদুমক্তি থাগৎচনিংঙি।

অদুগুম্বা নুমিৎতুগী য়েৎনরিবা মায়কৈ অনীগী ৱাফমদু অচুম-অরান মমুৎ তানা খঙলবা মতুং, মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাওগা লোয়ননা মনিং তম্না থাঙ্গৎনখিবা খূৎয়ামদু সমুদ্র খোঙবান্দা পুল্লপ-পুল্লপ চাক্তাবা ঙানু কাংঙা মানবশিংদুনা কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ অশাংবা মঙক্তু থিঙ্গৎনদুনা খোঙবদু মাল্লি, হান্না সেদ্যুল ত্রাইব পামজদবা কনাগুম্বশিং নুমিৎতুদা য়াওরম্বা থোক্লবা, মীওইবগী নুংদা য়াওরিবা অচুম অরান তাক্লিবা কন্সাইন্সনা ৱারেপ লৌরকপদগী খঙহৌদনা য়ানিংবা পোক্তুনা, খূৎ থাঙ্গৎতুনা 'ঐখোয় সেদ্যুল ত্রাইবতা হঞ্জিল্লসি' অহুল্লক অপূনবা খোঞ্জেলদা শঙলেন পোকখায়গদৌবমখৈ লাউবদু য়াওরল্লোইদবগী ৱাদি লৈত্রে। অমুকসু মীফমদুগী অখঙ অহৈশিংনা মথং-মনাও নাইনা ঙাঙলিবা ৱাফম কয়াদা চপ মান্ননা পেন্না খুরকখিবা অহৌবা খুবাকশিংদু নত্তনা, ফরক তাবা খুবাক য়াওরকখিদবদুনি ঐনা থাগৎচনিংঙিবা। অদুগা খ্বাইদগী পেন্নখিবশিংগী মনুংদা ময়ামগী অমম্বা কোকহনখিবা জেনরেল চিংহনখিবগী চে অমখক পুথোরকপীরক্তুনা ময়ামদা উৎপীখিবা অদুসু অমনি, চেদুগী ৱারোলদুদি শমলপ্পা পঞ্জরবদা কুমজা ১৯৪৯ দা সরদার বলভাই পটেলনা গোপিনাথ বোদোলোই অমদি জে নিকোলাস রোই অনীবু মণিপুরদা থারক্তুনা, মতমদুগী অখঙ-অহৈ ওইরিবা সিনাম কৃষ্ণমোহোন সিংহ, ললিতা মাধোপ শর্ম্মা অমদি বঙ্কবিহারি শর্ম্মা অহুমসিগী ষ্টেটমেন্ট লৌদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা রিপোর্টতু সবমিট তৌখিবদগী ঙসি ফাওবা জেনরেল ওইদুনা লৈরিবা অসিগী ৱাফমনি। কনাগুম্বশিংনা হায়রিবা চে অসি ভেরিফাই তৌবিনিংবা, লৌবিনিংবা লৈরবসু লমলোং থোংখোং, ইম্ফাল-পাঙ্গৈ রোদতা লৈবা এম এস ষ্টার প্রিন্টিং হাউসতগী লৌবিবা য়াগনি।

নুমিৎতুগী চীং লেম্লবা থৌরমদুদা মৈতৈ খুন্নাইগীদমক কৎথোকপীদুনা হোৎনবিরিবা অখঙ-অহৈশিংনা অফ-ফত্ত শন্দোক্লা নৈনবীদুনা তিল্লিবা মীপুম খুদিংমকপু ভাব তাহনবীবগা লোয়ননা, য়েৎলিবশিংগী মায়কৈদা হংখিবা ৱাহংশিংদুদা মৈতৈনা চেকশিলহৌদ্রগদি থেংনদবা শুকয়ামক য়াররোইদবা মৈতৈগী খুদোংথিরগদবা কয়াশিংদুদগী করম্না নাম্থোক্তদৌরিবগে হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমশিং, থৈদোক থৈজিন য়াওদনা চপ চানা চুমদুনতা লৈরগদবা পাউখুম অমা মৈতৈ কম্যুনিতিদা ময়েক শেংনা থম্বীরকপা থোক্লবা থাগৎচবগা লোয়ননা শৌগৎচগনি।

# মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয় সেদ্যুল ত্রাইব ওইফম থোকই

*— মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা —*

**হৌখিবা** চৈচৎ ২২/৫/২০১৬ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা শিন্দুনা লৈপাক মীয়ামগী অপাম পামদগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। দিমান্দ অসিবু য়ানিংবা মীওই কয়ানা ঈশিং-ঈচাওগী অৱাববু নাথৈরল্লগা মীয়াম্না শঙলেন অসি চন্দবা মখৈ লাক্লুখি। লাকখিবা মীয়াম পূম্নমক্লা দিমান্দ অসি য়ানিংবগী ৱাফম উৎনখি। মীতৈশিংবু কুমজা ১৯৩১ গী লিষ্টতা য়াওরবসু কুমজা ১৯৫০ গী সেদ্যুলদা য়াওখিদে। অদুগা চীংগী মীওইনা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনখি। কুমজা ১৭০৯ দা পামহৈবনা, কুমজা ১৭৫৯ দা ভৈগ্যচন্দ্র, কুমজা ১৮০৪, ১৮৫০ দা চন্দ্রকির্ত্তি, কুমজা ১৮৯১ দা চুড়াচান্দনা নিংথৌ ওইখিবা মতমদগী কংলৈপাক (মণিপুর) দা মীয়ানগী লীচৎতা থৱায় য়াওখিবনা হিন্দুগী লাইনীং লাইশোলনা লমদম অসিদা অমাং-অশেং, অনেম-অৰাংগী চৎনবী লৈখি। লোয়ননা শোক্ল-পন্নবা য়াদবা চারৌ মৌরৌনবা য়াদবা লৈখি। অসিগুম্বা চৎন-পথাপ অসিনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহনখি। কুমজা ১৯৫০ গী সেদ্যুল ত্রাইব, সেদ্যুল কাষ্ট লিষ্ট শেম্বদা ঐখোয়দি অর্জুন, ব্রভুভাহনগী মচা মশুনি, আঙ্গ বংশকী মচা মশুনি হায়দুনা বামোন দিজমনিনা কননা য়েৎখি। সেকমাইগী খ্বাইরাকপম চাউবনা মীতৈসু সেদ্যুল ত্রাইব ওইনবা কন্না য়েৎখি। অদুবু মাগী ৱা লৌবিখিদে। দেল্লিদগী লাকপা এক্সপার্ট কম্মিটিগী মীওইশিংদু পুদুনা চাউবনা খুরখুল, সেকমাই, ফৈয়েং, অন্দ্রোদা লৈবা মীওইশিংগী য়ুমলৈ-কৈরৈ, লম্বী-থোং, ফীজেৎ-চাকচা য়েংহল্লবা মতুংদা সেদ্যুল কাষ্টকী লিষ্টতা য়াওহনখি। লোয়া লমদা লৈবা মীওইশিংবু সেদ্যুলগী লিষ্টতা য়াওরিবা অসি সেকমাই চাউবগী হৈশিংবা অমসুং মাগী থৌনা মরৌশিংননি হায়জনীংই।

সেকমাইগী খ্বাইরাকপম চাউববু ঐখোয়না ইকায়খুম্নফম থোকই। মতম অমদা উখুলগী চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা হিন্দু ওইজগে হায়না দরখাষ্ট থাবদা শেংবদা মী অমদা লুপা ৮২ পাই ২ পীরবদি য়াই হায়বদগী শেনফম অসি পীবা ঙমদবদগী হিন্দু ওনখিদে। পেট্রিগুরু সাহেবনা সেল তিংদনা খৃষ্টান লাইনীং লৌবা য়াই হায়দুনা উখুল নাগাশিংবু খৃষ্টান ওইহনখি। মথক্তা পনখ্রিবা নিংথৌশিংগী মতমদা অমাং-অশেং, অনেম-অৰাংগী থাক খেন্নবা লৈরমই। মীতৈগী শ্রাদ্ধ, লুহোংবা, ফিরোইদা বামোন অমসুং নিংথেমচা মশুদা দক্ষিনা লুপা ১ গা সিকি ১, ক্বা মসুং মঙা তৌই। অদুগা মীচমদনা দক্ষিনা লুপা ১ ক্বা মসুং অহুম তৌবসি চৎনরমই। অদুবু মীতৈনা সনামহী লাইনীং হঞ্জিনবদগীদি মান্নবা থাক্তা লাক্লে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মীতৈনা বামোন চনু অমা লৌবদা লুহোংবীদে। উসোবতা মীতৈ নুপীনা ইরুজরগা এঙ্গাং-নাপী শেম শাবদি য়াই। থোংবা লোইরগা মীতৈনা শোকপদা মাঙই হায়রি। বামোননা থোঙবা চাক এঙ্গাংদু মীতৈনা শোকউবা য়েনবা য়াদে। মখোয় মশানা য়েন্থোকলন্নগা চাজে। অসিগুম্বা অমাং-অশেং, শোক্ল-পন্নবা য়াদবগী চৎনবী অসিনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা অচৌবা পল অমা খাবনা চীং-তম নুংশিনহন্দ্রে। চীংগী লম, তমগী লম খায়দোক্লুনা ৱা খন্নবা নৈনবা য়াদ্রে। মসি পুম্নমক অসি তম্পাক্তা লৈবা মীতৈ ঐখোয়গী ইরান নত্তে। মসি পুম্নমকসি হিন্দু লাইনীংনা ওইহনখিবনি। মীতৈ ঐখোয়বু ইংরেজী তম্বা মাঙই, বঙ্গালি তন্বদি শেংই হায়দুনা ইংরাজি তমহল্লমদে। চীংমীনা খৃষ্টান লাইনীং, মীতৈনা হিন্দু লাইনীং লৌরুবদগী ইচিন-ইনাওনি হায়বসি কাওথোক্লুরে।

> *'মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব চনবদা মণিপুরগী ত্রাইবেলশিংগী কোটাদা অকায়বা লৈরোই। মখোয়গী মশীং হন্তজবা নত্তে, ইনিদয়াগী কোটাদগী লৌগদবনি। কোটাগী ৱাফম খন্নবদা পঞ্জনীংবা অমনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্ট সেগমেন্ট ২ দা সেদ্যুল ত্রাইবকী রিজার্ভ সীট অসি ভোটর মশীং শুদবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীতৈ খরা ভোটর ওইনা লৌশিল্লি। মসিদা ভোট থাদবগী অয়াবা, মীরেপ ওইবা য়াদবগী ৱাথোক অদুসু ঐখোয় লোইনমক সেদ্যুল ত্রাইব ওইরবদি কোক্লগনি'*

অদুঙৈ লমদমসিগী মীওইনা মীতোপকী লিচৎ (লাইনীং) লৌদ্রিঙৈদা নোংচুপলোমদা কছাড়গী তিখৌ (তেখাও) তুরেল মপান ফাওবা মীতৈগী লম ওইরমই। নোংপোক্তা নিংথি তুরেল অভা (অৱা) ফাওবা মীতৈগী লমখৈ ওইরমই। চীংমী তম্মীনা মীতোপকী লাইনীং লৌরুঙৈদগী ঐখোয়গী লম পীকশিল্লক্লে। ঐখোয়গী পুৱারী ঐখোয় পূন্না নীংশিংনফম থোকই। পাইখোম্বনা মরামচনু ঈঙাল্লে লৌদুনা লৈমরেন ফমথোল কাহনখি। শুগুদা লৈবা লাই ৱাংব্রেননা অনাল খুল্লেনগী অনাল চনু (ঈবেনথৌ) সংথু লৈমা লৌখি। মরম অদুনা ৱাংব্রেন হরাউবদা অনালশিংনা হেক হেক য়াওরি। বিষ্ণুপুরদা লৈবা চোথে থৱায় পাখংবগী হরাউবদা চোথে খুলগী চোথেশিংনা শিন লাংদুনা পাঙথোকখি। মোইরাং কংলৈরোলদা সলাং মাইবনা খন্বা, খম্নু য়োকপগী মতাং য়াওই। লোয়ননা মোইরাং কংলাদা অমাইবগী থৌদাং পুবগী মতাং য়াওই। মাইচৌশিংগী মনুংদা কবুই তোম্বা য়াওরি। মীতৈগী লাই হরাউবগী লাইরোইদা তাম্বুল নুরাবী, লুহোংবদা চীংমীগী লৈরুম ফী য়াওদবা য়াদগী চৎনবী লৈরি। লাই হরাউবদা য়েনলিং থাবা, সারেন চনবা চৎনরি। ঙসিসু চহী খুদিংগী মেরা থাগী থানিল নুমিৎতা মেরা হৌচোংবা থৌরম পাঙথোক্তুনা চীংমী-তম্মী মচিন মনাওনি উৎলি। অমুকো, য়ু সি এম অতৈ অতৈ তম্পাক্কী ওর্গনাইজেসন কয়ানা শীন্দুনা চীংমী নুপীশিংবু হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকই। লীগ ওফ ফোর ৱর্ল্ড পিপলসনা শীন্দুনা চীংমী ইচিন ইনাও য়াওনা ইন্দিজিন্স ব্রদর মীট কুমজা ২০০০ দগী পাঙথোক্তুনা লাকখি। মরম অসিনা ময়াম্বা ওইরিবা চীংমীশিংনা সেদ্যুল ত্রাইব চনখ্রবনিনা মনাও ওইরিবা তম্মী মীতৈ ঐখোয়বুসু সেদ্যুল ত্রাইবতা চনফম থোক্লে।

মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব চনবদা মণিপুরগী ত্রাইবেলশিংগী কোটাদা অকায়বা লৈরোই। মখোয়গী মশীং হন্তজবা নত্তে, ইন্দিয়াগী কোটাদগী লৌগদবনি। কোটাগী ৱাফম খন্নবদা পঞ্জনীংবা অমনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্ট সেগমেন্ট ২ দা সেদ্যুল ত্রাইবকী রিজার্ভ সীট অসি ভোটর মশীং শুদবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীতৈ খরা ভোটর ওইনা লৌশিল্লি। মসিদা ভোট থাদবগী অয়াবা, মীরেপ ওইবা য়াদবগী ৱাথোক অদুসু ঐখোয় লোইনমক সেদ্যুল ত্রাইব ওইরবদি কোক্লগনি। মথক্কী ৱাফম কয়া অসি য়েংলগা চীংমী-তম্মী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা রিকমেন্দ তৌফম থোকলে হায়জনীংই। চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা হান্নना সেদ্যুল ত্রাইব ওইখ্রবনিনা, তম্মীশিংসু সেদ্যুল ত্রাইব ওইরে হায়না লিষ্টতা য়াওরবদি মণিপুর ষ্টেট অসি সেদ্যুল ত্রাইব ষ্টেটনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাউথোকপা সেদ্যুল সার্টিফিকেট পায়দবা জেনরেল কাঙবুসু টেক্সেনচিংবগী কান্নবা কয়া ফংগনি। অরোইবা ওইনা ঐখোয় পুম্নমক্লা দিমান্দ অসি শৌগৎমীন্নসি।